ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
HUEIYEN LANPAO
Monday, February 27, 2017, Imphal



# রেবিজ - ঐখোয়না করি তৌবা য়াই

ডা: সরাংথেম জেম্মারাণী






***রেবিজ*** হায়রিবা লায়না মখলসি শাদগী মীদা শন্দোরকপা ঙম্বা রেবদো ভাইরসনা থোকহনবা মখল অমনি। য়ূমদা লোইরিবা হুইদা হায়রিবা ভাইরস অসি মশাদা তুংদুনা লৈ, মসিদা ফজনা লায়েংবীহৌদ্রগদি মসিগী ভাইরস অসিনা চাদা ১৫ গী মথক্তা মীওইবদা শন্দোরক্তুনা শিবা ফাওবা য়াওহল্লি। রেবিজগী লায়নাসি খুঙ্গংগা সহরগা চাংদম্নবদা খুঙ্গংদা লৈবা মীওইশিংদনা খরা হেন্না খুদোংথিবা নংই। মসিগী খ্বাইদগী চাওবা মরমদি এব্র্যোর্নেস ৱাৎপদগীনি।

ৱার্মব্লদেদ এনিমেল হায়বদি অশাবা ঈ চেনবা জিব পানবা খুদিংমক রেবিজ হায়রিবা লায়না অসি নাবা য়াই। খ্বাইদগী মরুওইনা মশাদা মতু চোন্বা মমাগী খোম থকপা য়ূমশা অমদি লমলক্কী শা পূম্নমক্তা লায়না অসি থোকহল্লি। শেকপী অমদি খৈরোই অচৌবা শাশিং অসিদা তশেংনা মহীক অসিনা লায়না থোকহনবমক ঙমদ্রবসু হায়রিবা শাশিং অসিনা লায়না অসিগী মহীকশিং পুদুনা লৈগল্লি। লায়না অসিগী মহীকশিং অসিনা চঙখ্রবা হুই, হৌদোং য়ুমশা অমদি অতৈ লমলক্কী শাশিংগী শীংলি নাওরি অমদি থোপকী মশা মরেংশিংদা লৈদুনা মচা পোকশিল্লি অমদি মমৈদা মখোয়না লৈরিবা শীংলি নাওরি পূম্নমক থুগাইদুনা শাথিরবা অঙাওবগী লায়নাসি উৎথোরকই। লায়না অসিদগী নারবা য়ূমশাশিংগী মতিন, ময়ুং, ঈ, শঙ্গোম অমদি হকচাংদগী থোরকপা মহী খুদিংমক্তা মহী অসি য়াওরকই। খ্বাইদগী মরুওইরিবদি লায়না অসি মী অমদি অতৈ য়ূমশাশিং হায়বদি ষণ, শগোল, ইরোই, হামেংনচিংবা য়ূমশাশিংদা শন্দোরকপগী লম্বীদি লায়না অসিদগী নারবা হুই নৎত্রগা হৌদোংনা চিকখিবা অসিনি। লায়না অসিদগী নারবা হুই হৌদোংনা চিকখিবা মতমদা মখোয়গী মতিন্নচিংবদা য়াওরকপা লায়না অসিগী মহীকশিং অদু চিকফম অদুদগী চঙলক্তুনা লায়না অসি অমুক থোকহল্লি।

কুমজা ১৯৬৬, দল্লিয়ু ঐচ ওগী মতুং ইন্না রেবিজ অসি মখল অনী থোকই।

ক) সিলব্যাটিজ রেবিজ - লায়না অসি জঙ্গল নৎত্রগা লমলক্তা লৈবা শাশিংগী মরক্তা অদুমক মখোয় মশেল চিক্লবা অমদি অমনা অমবু চাথোক্লবদগী হায়রিবা লমলক্কী শাশিং অদুদা অদুমক লৈ। মসিবু ঐখোয়না সিলব্যাটিজ রেবিজ হায়না খঙনৈ।

খ) অর্বান রেবিজ - লমলক্তা লৈবা রেবিজগী মহীক চেল্লবা শাশিংনা মনাক নকপা খুনশিংদা কুমথরক্তুনা য়ূমশাশিংদা চিক্লবা নৎত্রগা য়ূমশাশিং অদুনা শজিক চাবা অমদি মচিঞ্জাক থিবা চৎলুবদা লমলক্কী শাশিংনা চিকখিবা য়াওখিবদগী সিলব্যাটিগা রেবিজ অসি মখা তানা মীওইবা অমদি অতৈ য়ূমশাশিংদা অমুক মথং মথং শন্দোরকই। মসিবু ঐখোয়না অর্বান রেবিজ হায়না খঙনৈ। মরম অসিদগী হায়রিবা লায়না অসি অর্বান এরিয়াদা মথং মথং হুই নৎত্রগা হৌদোংনা চিকখিবদগী মী অমদি অতৈ য়ূমশাশিংদা মথং মথং পাক শন্না শন্দোরকই।

লায়না অসিগী লায়ওংশিং - রেবিজ লায়ওংসি চিকখ্রবা মতুংদা য়াম্না থুনা ফোঙদোরক্তে অদুবু হুইনা নৎত্রগা অতোপ্পা শানা চিকখ্রগদি পুং ৪৮ গী মনুংদা টিকা থাদোকপনা লায়না অসিদগী অরায়বা মওংদা কনবা ঙম্মী। করিগুম্বা টিকা থাহৌবিদ্রগদি থা ১ দগী ৩ ফাওবগী মনুংদা রেবিজকী লায়েংসি ফোঙদোরকই। অদুম ওইনমক করিগুম্বা মতমদসু হাপ্তা অমগী মনুংদা নৎত্রগা চহী ৬ কী মনুংদা থোরকপগী কেসসু থেংনবা য়াওই। লায়না অসিনা লায়ওং থোকহন্দ্রিঙৈদা রেবিজ মচা ভাইরস অসিনা ব্রেনগী সেন্ত্রেল নার্বস সিষ্টেমদা য়ৌরবা মতুংদা লায়ওংসি থোকহল্লি। অতোপ্পা অমনা লায়ওং উৎথোরকপগী মতমসিসু চিকপা মফমদগী ব্রেন য়ৌবগী লম্বীগী অরাপ্পসু মখা য়াম্না পোল্লি। ভাইরস অসিনা ব্রেন য়ৌবা মতমদা ভাইরস অসি রেপ্লিকেসন তৌদুনা মশীং য়াল্লক্লগা রেবিজগী লায়ওংসি ফোঙদোরকই।

লায়না অসিগী লায়ওংশিং অসি ঐখোয়না মখল অনী থোক্লা উবা য়াই। মখোয় অদুদি - (ক) য়াম্না শাথিবা মওং (ফিউরিয়স ফোর্ম) (খ) পংথদুনা লৈবা অতপ্পা মওং (ডম/প্যার‍্যালাইটিক ফোর্ম)

(ক) ফিউরিয়স ফোর্ম - ফিউরিয়স ফোর্মদা লৈবা রেবিজগী লায়ওং খরা হায়রগদি-

- পাখৎপা/ইরাং লাঙবা
- য়াম্না শাওগনবা/অফংবা পোৎ চিক্লিংবগী মওং
- পূক্লিং লাংতক্লবা
- লৈফম চাফম খঙদবা
- খোঙবগী মখোল ওল্লকপা
- কিগন্দবা
- খোইরাঙ খোইশাওনবা
- তীন য়াম্না তাবা
- ঈশিং উবদা কিবগী মওং/পামদবগী মওং
- করিগুম্বা পোৎশক অমা খনাউদা পনবা নৎত্রগা য়োৎশিনবা ঙমদবগী মওং মানবা
- মীৎ নহা অনী লাউথোক্লা লৈবা
- মসলশিং মথৌ তৌরক্তবা
- চৎপা মতমদা ফজনা নীংথিনা চৎলক্তবা, খোঙথাং শোয়রকপা
- হকচাং পূম্বা পঙথ-শিথরকপা

লায়ওং ময়ামসি উৎলবা মতুংদা অরোইবা ওইনা নুমিৎ ১০ নিগী মনুংদা শিগল্লি।

খ) ডম ফোর্ম - করিগুম্বা মতমদা লায়না অসি নারবা মতুংদা লায়না অসিগী লায়ওং উৎথোরক্তনা লৈবা অদুবু ডম ফোর্ম রেবিজ হায়না খঙনৈ। হায়রিবা লায়নাসি নারগা লায়ওং খরদি উবা ফংই। মখোয় অদুদি

- য়ূমগী মীওইশিংগা তোৎন-তিন্নীংদবা
- চানিং থক্লিংদবা
- তুরোই ঙাল্লোই তৌদুনা অইংবা মফম থিদুনা লৈনিংবা
- তুদুনা চাবা থকপা ঙমদবা
- মমৈদা অরোইবা ওইনা শিবা

**লায়ওং খুদিংমক রেবিজ ওইগনি হায়বা লৈবরা?**

মসিগী পাউখুমদি লৈতে। করিগুম্বা মতমদা য়োৎপা ঙমদবদগী তীন মরাং কায়না তারগদি খনাউদা পোৎ পনবা ওইবসু য়াই। মসি নৎত্রগা হু চেনবা পোৎশক চারগসু হায়রিবা লায়ওংসি থেংনগনি। করিগুম্বা মতমদা হুইনা তোয়না খোঙবা থেংনরগদি মসিসু চাক লাম্বা নৎত্রগা কিবা নৎত্রগা অনাবা খাঙবা ঙমদবদগীসু ওইবা য়াই। করিগুম্বা হুইনা কিবা, জ্ঞান তাদবদগীসু ঙাওচৎনবা থেংনবসু য়াওদবা নত্তে।

অসিগুম্বা চিংনরপ তৌবা লায়ওং কয়া অসি উরগদি নারিবা হুই হৌদোং অমদি অতৈ য়ূমশাশিংদু ফাজিন পুনশিন্দুনা য়ামদ্রবদা নুমিৎ ১০ নি ফাওবা থম্বীগনি। হায়রিবা মতম অসিগী মনুংদা করিগুম্বা শিবা থোক্লবদি মনাক নকপা দিসপেন্সরি/হোস্পিটালদা চৎতুনা ডোক্তরশিংগা তানবীদুনা মখা তাবা করি তৌবা য়াবগে হায়বদু খঙদোকমিন্নগনি।

**করিগুম্বা হুইনা চিকপা নৎত্রগা খোৎপা তারগদি ঐখোয়না করি তৌবা তাই?**

- অহানবদা ঐখোয়না শোল্লিবা মফমদু শাবোন নৎত্রগা ঈশিংনা নিংথিনা হুইগী মতীনদু ফজনা শেংদোকপীগনি।
- শোল্লিবা মফমদু ঈ ফজনা থোক্ত্রগাদি হেন্না ঈ থোকখিনবা হোৎনবীয়ু। মসিনা মহীকশিংদু চৎখিবা ঙমগনি।
- শোল্লবা মফমদু ফোৎপীরোইদবনি। মসিনা ভাইরসতুনা নর্ভতা চঙবগী চাং য়াম্না ৱাংনা লৈ।
- শোল্লিবা মফমদু সাপোন অমদি ঈশিংনা চামথোল্লবা তুংদা প্রাভিদন আইওদিন চাদা ১ নৎত্রগা অলকোহোল চাদা ৭০ না অমুক চামথোকপীগনি।
- লোকেলগী হীদাকশিং হায়বদি মোরোক পাউদর, মচু, চেঙ শাইরগা থোম্বা অমদি অতৈ পোৎলমশিং হাপ্পীরোইদবনি।
- মনাক নকপা দিসপেন্সরি/হোস্পিটালদা চৎপীদুনা এন্টি রেবিজ ভেক্সিনেসন তৌবীয়ু।

**রেবিজ নারবা হুই উরগদি ঐনা করি তৌবা তাই?**

- হুইগী মনাক্তা য়ারিবমখৈ চঙবীরোইদবনি অমদি থওই উশিৎতবা তৌদুনা শাওহনবীরোইদবনি।
- নূং নৎত্রগা চৈ লংশিনবীরোইদবনি।
- মী ওমশিন্দুনা হুইদুগী মনাক্তা লৈবীরোইদবনি। মসিনা হুইদুদা হেন্না চরাংনবা অমা পোকহল্লি।
- মনাক নকপা এনিমেল কন্ত্রোল এজেন্সি, এনিমেল ৱেলফ্যের ওর্গেনাইজেসন, ভেটিরিনরি সার্ভিস, পুলিস দিপার্টমেন্ট নৎত্রগা পব্লিক হেলথ ওথোরিটিশিংদা পাউ তাক্তুনা য়েংশিনহনবীগনি।
- য়ারিবমখৈ হুইদু চেঙ্গোক্তনবা লাপ্পা শেন্নরগা ওথোরিটিগী মী লাক্ত্রি ফাওবা য়েংশিনবীগনি।

**রেবিজ কন্ত্রোল তৌনবা করি পায়খৎপা য়াই?**



- ইশা ইশাগী হুইশিং মতম চানা এন্টি রেবিজকী টিকা থাদোকপীগদবনি। মসিনা ইশাগী হুইশিং রেবিজ নাবদগী ঙাকথোকপা ঙম্বতা নত্তনা অতোপ্পা রেবিজ নাবা হুইনা চিক্লবসু মহীক চঙবা ঙমহন্দে।
- মপু লৈতবা হুই হৌদোংশিং এনিমেল ওথোরিটিশিংদা শীন্নবিয়ু।
- ইশাগী হুইশিং য়ারিবমখৈ লাপ্পা অমদি লৈরক-খুলক্তা চথোকহন্দনবা হোৎনবীয়ু।
- মশক মপু খঙদবা হুইশিং ইশাগী হুইশিংগা তোৎন-তিন্নহনবীরোইদবনি অমদি য়ারিবমখৈ ফাদুনা হাৎতোকপীরোইদবনি।
- করিগুম্বা মতমদা হুইনা মশাগী হান্নগী মওং মতৌ হোংলকপা উরকপা ওইরগদি মনাক নকপা হোস্পিটাল/দিসপেন্সনরিদা চৎপীয়ু।

মীওইবগা খ্বাইদগী নক্লবা শাসি হুইনি। ইমুংদুগী মীওই অমগুম য়েংশিনবীবা লোয়নবীবা হায়বসি ঐখোয়বুসু ঙাক শেল্লিবা জিবদুদা উৎফম থোকপা থকসি-খাসিনি। মরম অসিনা মতম চানা টিকা থাদোকপীবা অমদি মশক খঙদবা হুই হাৎতোল্লগা চাবিবা অসি খক তৌবিরোইদবনি।

---

# হান্না য়োক্লরমদবা ঙা মখল কয়া য়োকপগী তঙাইফদবা

ডা: য়ুম্নাম বেদজিৎ সিংহ


***ইন্দিয়াগী*** মফম অয়াম্বদা হৌজিক য়োক্লরিবা ঙা মখলশিং হায়রগা রৌ, কটলা, ম্রিগল, শিলভর কার্প, নাপী চাবী অমদি পুক্লাওবীনি। তৌইগুম্বসুং অনৌবা ঙা হায়বদি হান্ননা য়োক্লরমদবা ঙা মখল কয়া ইন্দিয়াগী মফম কয়াদা য়োক্লবা হৌনরক্লি। খুদম ওইনা হায়রবদা ঙাহৈ, পাবদা, ঙাক্রা, তুংহনবী, খজিং, পেংবা, ত্রাউত অসিনচিংবনি।

ঐখোয়গী লৈবাক্কী ঙাথোক হেনগৎহনবদা অনৌবা ঙাশিং অসিনা অচৌবা থৌদাং লৌরি। তৌইগুম্বসুং হায়রিবা ঙাশিং অসি মফম খুদিংমক্তা য়োকপা চানগনি হায়বদি লৈতে। মরম অদুনা চানবা ঙা মখল য়েংবীরগা য়োকপীগদবনি। অনৌবা ঙা অমা য়োকপা হায়বসি ঙাদু য়াম্না থুনা চাওগনবা, মমল য়াম্না ৱাংবা, ময়াম্না য়াম্না পাম্নবা অসিনচিংবা মগুনশিং চেনগদবনি। তৌইগুম্বসুং মচা পুথোকপা অমদি য়োকপগী থৌওং ফজনা খঙদোক্কদবনি। খুদম ওইনা হায়রবদা করিগুম্বা ঙা মখল অমা ময়াম্না য়াম্না পাম্নরবসু মচা পুথোকপগী থৌওং ফজনা লৈতবা অমদি মচা ফংদ্রবদি হায়রিবা ঙা অদু য়োকপগী খুদোংচাদবা কয়া থেংনগনি।

মণিপুরগী ওইনা হৌজিক পুথোক্লিবা ঙাগী চাং অসি ঐখোয়গী দরকার ওইবা অদুদগী অসুক্কী মতিক নেমখ্রে। তৌইগুম্বসুং অনৌবা ঙা মখল কয়া য়োক্লরক্লবদি খরমখৈদি মেনখৎপা ঙমগনি। ঐখোয়গী মণিপুরগী পাক চাওবগী চাওরাক্লা চাদা তরাখক্তমক তম্পাক্কী লমনি অদুগা লেমহৌরিবা মরিফুতরা অদুনা চীংগী লমনি। অদুবু হৌজিক হৌজিক পুথোক্লিবা ঙাশিং অসি তম্পাক্কী লমদগী অয়াম্বনি। চীংগী লমশিং অসিদগী পুথোকপা হৌরক্লবদি ঐখোয়গী দরকার ওইবা ঙাদগী লেম পানা পুথোকপা ঙমগনি। চীংগী লমশিং অসি অয়াম্বনা অঙৗংবা মফম ওইবনা অঙৗংবা মফমদা হৈনবা ঙাশিং য়োক্কদবনি। হায়রিবা মফমশিং অসিদা রৌ, কটলা অমদি ম্রিগল চানবা খরা ৱাৎকনি অদুনা পুকলাওবী, নাপী চাবী, শিলভর, ত্রাউত অমদি মফমশিং অসিদা হান্নদগী লৈজরম্বা ঙাশিং খুদম ওইনা হায়রবদা খাবক, সনাঙা, নূংঙা অসিনচিংবা ঙাশিং অসি য়োকপা য়াই। তৌইগুম্বসুং হায়রিবা ঙাশিং অসিগী মচা পুথোকপা অমদি য়োকপগী থৌওংশিং ফজনা খঙদোকপা তঙাইফদে। মতাং অসিদা ঙাগা মরী লৈনবা লূপশিং অমদি মহৈ লোইশঙ পূম্নমক্কী পূক্লিং চিংশিঞ্জনীংই অমদি অনৌ অনৌবা ঙা কয়াগী মরমদা থিজিল্লবা মতুংদা অনৌবা ঙা কয়া য়োক্লরক্লগনি হায়বগী থাজবা থমজরি।

ঐখোয়গী মণিপুরগী ওইনা খুদোংচাদবা অমনা হৌজিক হৌজিক ঙা ফজনা য়োক্লরিবা তম্পাক্কী শরুক খরা অসিসু চহী অমদা থা তরুক অমদি ঈংঙি। মরম অদুনা অশাবা লমদা হৈনবা ঙাশিং হায়বদি রৌ, কটলা, ম্রিগলনচিংবা ঙাশিং অসি চাওগন্দে। মরম অদুনা অঙৗংবা মফমদা হৈনবা ঙা য়োকপগী তঙাইফদবা লৈ। মসিদসু নত্তনা মমল ৱাংবা অমদি মীয়াম্না পাম্নবা ঙাশিং য়োকপগী তঙাইফদবসু লৈ। ঙাতোন অমদি পেংবাগুম্বা য়োকপা দরকার ওই। মসিনা ঙাথোক হেনগৎহনবতা নত্তনা ঙা য়োকত্রিবা ঙামীশিংগী শেনমিৎলোন ফগৎহন্দুনা নুংঙাই য়াইফবা খুন্নাই অমা পুরকপদা অচৌবা মতেং পাঙগনি। অনৌবা ঙা কয়া য়োকপগী তঙাইফদবা লৈ হায়দুনসু ঐখোয়গী হান্না লৈজরম্বা ঙাশিং অমদি অকোয়বগী ফীভমদা অকায়বা পীগদবা ঙা কয়া মপান লমদগী পুশিল্লক্তুনা য়োক্লবা থেংনৈ। মসি তৌবিরোইদবনি মরমদি হায়রিবা ঙাশিং অসি য়োকপদগী ঙাথোক খরা হেনগৎলবসু মসিদগী থোক্লকপা অমাঙবনা য়াম্না হেল্লি। নাপীচাবী, পুকলাওবী, শিলভর হায়রিবা ঙাশিং অসি মপান লমদগী পুশিল্লকপা ঙাশিংনি অদুবু মখোয়না থোকহনবা অমাঙবগা কান্নবগা চাংদম্নবদা কান্নবনা হেনবা মরম্না মখোয়শিং অসি ফজনা য়োক্লরিবনি। তৌইগুম্বসুং য়াম্না থুনা চাওগল্লি অমদি ঙাথোক লৈ হায়দুনসু জপান ঙাক্রা হায়রগা খঙনবা অফ্রিকান কেটফিস অসিগুম্বা ঙা অসি য়োকপীরোইদবনি। তুংহনবী, পাকু অমদি ঙাহৈগুম্বা ঙা কয়াসু মণিপুরদা য়োকপা হৌনরে। মখোয়শিং অসিগীসু কান্নবা-কান্নদবা কয়া লৈরি। মপান্দগী পুশিল্লকপা ঙা কয়াগী অফ-ফত্ত ময়াম অসি ঙা য়োক্লিবা ঙামীশিংনা ফজনা খঙবা ঙমদ্রবসু ঙাগা মরী লৈনবা লোইশঙশিংনা ফজনা থিজিল্লবা মতুংদা পুশিল্লক্লবা থৌরাং লৌখৎহন্নীংই।

মণিপুরদা লৈরিবা ঙা মখল অসি অসুক্কী মতিক য়ামখ্রে। মরুওইনা চীংগী লম অমদি অঙৗংবা মফমদা হৈনবা ঙা মখলশিং অসি অসুক্কী মতিক য়ামখ্রে। হায়রিবা ঙাশিং অসিদগী অফবা অমদি মীয়াম্না পাম্নবা ঙাশিং খনগৎলগা মখোয়গী মরমদা থিজিল্লবা মতুংদা থোকপগী থৌরম পায়খৎলবদি মণিপুরগী ঙা পুথোকপগী চাংসি অঙকপা ফংনা হেনগৎহনবা ঙমগনি। মরমদি মণিপুরগী অপূনবা পাক চাওবগী চাদা মরিফুতরাগী লমদগী ঙা পুথোকপা য়াগনি। হৌজিক হৌজিক্কী ওইনদি মণিপুরগী পাক চাওবগী চাদা তরাখক্তমক ওইরিবা তম্পাক্কী লম অসিখক্তগী ওইনা অয়াম্বা শরুক্কী ঙা পুথোক্লি। মণিপুরদা ফংলিবা ঙাশিং অসি চাবখক্তমক নত্তনা লৈতেং ওইনা শীজিন্নবা য়াবা ঙা মখল কয়া য়াওরি। হায়রিবা ঙাশিং অসিগী মচা পুথোকপা অমদি য়োকপগী থৌরমশিং ফজনা থিজিল্লগা য়োক্লরক্লবদি মপান লৈবাকশিংদা থাদোকখিদুনা লৈবাক্কী ওইবা অচৌবা শেনফম কয়া তানবা য়াগনি।

অসুম্না হান্ননা য়োক্লরম্বা ঙা মখলশিং অসি নত্তবা অনৌ অনৌবা ঙা মখলশিং য়োক্তুনা ঙাগী ঙাথোক হেনগৎহনবতা নত্তনা শেল থুমগী ফীভম ফগৎহননবা হোৎনমিন্নরসি।